**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 26-03-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তম্পাক্কী ইরাং থোকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা মখা তানা এরিয়া দোমিনেসন তৌবা অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চিংখৈ চিংদগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, ওটোমেটিক সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, দিটোনেটর ৯, থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জিগী মেগজিন অমা, ইনসাচ এল.এম.জিগী মেগজিন অনি, ইনসাচ রাইফলগী মেগজিন অমা, ৱয়ারলেস সেট অমা, বুল্লেট প্রুব হেলমেট অনি, বুল্লেট প্রুব জেকেট অনি, ট্যুব লোঞ্চর মঙা য়াওনা নোংমৈ কয়ামরুম ফাগৎলে।

নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-মাও লম্বীদা আইননা য়াদবা দ্রগশিং থংদোক থংজিন তৌবদা চেন্নবা মীওই অহুম ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী রাজ্য পুলিসনা ফারে। মখোয়দগী সাপোন কেপ ৪৬১ দা হাপ্তুনা পুরম্বা হেরোইন পাউদর চাউরাকা কিলোগ্রাম ৫ মখায়রোমসু ফাগৎলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মঙা ঙরাং ফাগৎখি। নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থাংতেক তেরা মখোঙদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) মীওই অনি ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মখোয় নম্বোল এরিয়াদা লৈবা দুকান, ডাক্তর, ওইল পম্প অমদি প্রাইবেট স্কুলশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

য়ু.এন.এল.এফ. (কোইরেং) কাংবুগী মীওই অনিসু ঙরাং রাজ্য পুলিসনা ফারে। মখোয় বিষ্ণুপুর এরিয়াদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিংদগী নমদুনা শেল

খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মখোয়দগী টাটা ত্রক্কী ছো অহুম, চল্লান অনি, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংলে হায়রি।

সোরেপাগী মীওই অমসু রাজ্য পুলিসনা ঙরাং কোংবগী ষ্টেন্দর কলেজ ময়াদগী ফারে। মীওই অসি সরকারগী ওফিসিএলশিংদা শেল দিমান্দ তৌবা অমসুং কিহন-খঙহনবগী থবকশিংদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

রাজ্য পুলিসকী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ৩৪৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ১৯৬ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে।

**শিবা (এল)ঃ** হৌখিবা থা অসিগী ১৭ তগী থৌবাল নিংঙোম্বদা লৈবা ময়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকপী চহি ৭২ রোম শুরবী অহল ওইরবী নুপী অমা ঙরাং থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইথৌ পাৎকী তাংজেং ৱাটর সপ্লাই মনাক্তা শিনা ফংলে হায়রি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-নুপী অসি হেক মাঙখিবদগী ইমুং মনুংনা পুলিসতা পাউ পীদুনা থিবগী থবক চথুদুনা লাকখি। মহাক ঙরাং মফম অদুদা ফুম মথক্তা অশিবা হকচাং ওইনা লৈরম্বা থেংনখিবনি। থৌবাল পুলিস অমসুং ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা অশিবা হকচাং অদু য়েংশিল্লবা মতুংদা লৌখৎতুনা রিমসকী মোর্গতা থম্লি।

**লম্বী (এল)ঃ** নেসনেল বোর্ড ফোর ৱাইল্ড লাইফকী হৌখিবা থা অসিগী ১২ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফমনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট অহুম-পায়খৎপদা অয়াবা পীখ্রে। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা নেসনেল হায়ৱে ২০২ গী য়াইঙংপোকপীদগী নাগালেন্দ ফাওবগী লম্বীগী শরুক পাকথোক্তুনা শেম্বদা অয়াবা পীবা য়াওরি।

অমরোমদা, কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না মনিপুরগী ত্রাইবেল মহৈরোইশিংগী পোষ্ট মেত্রিক স্কোরলাসিপ পীননবা লুপা কোতি ২৫ থাদোরক্লে। শেনফম অসি মহৈরোইশিংগী একাউন্টতা দি.বি.টিগী খুথাংদা অথুবা মতমদা পীবা হৌরগনি হায়রি।

**বিরেন (এল)ঃ** পাটনাদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল সেপাক তাক্রৌ ফেদরেসন (ইস্তাফ) ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ দা ভারতকী নুপা অমসুং নুপীগী টিমশিংনা সনাগী তকমান অমা, লুপাগী তকমান অমসুং শেঞ্চেংগী তকমান মঙা ফংদুনা চাউনা মায় পাক্লকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-হৈথোই শিংথোইরবা শান্নরোইশিং অসিনা কন্না হোৎনবদগী জাতি অসিনা চাউথোকচবা ফংজরি। ভারতকী টিমদা শরুক য়াখিবা মনিপুরগী শান্নরোইশিংগীদমক মহাকা চাউথোকচবা পোকই। মসিনা মখোয়গী শান্নবগী খোঙচৎতা হেন্না ইনোৎ পীদুনা মতুংদা শান্নরক্কদবা মেটচ কয়াদা চাউনা মায় পাক্কুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

**সংসদ ঃ** সংসদনা দিজাস্তর মেনেজমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৪ পাস তৌখ্রে। বিল অসি মমাং চহিগী দিসেম্বরদা লোক সভাদা পাস তৌখি। ঙরাংনা রাজ্য সভাদা পাস তৌখিবনি।

দিজাস্তর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫ নৌনা শেমদোক্কুনা পাস তৌরিবা বিল অসিনা নেসনেল দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি (এন.টি.এম.এ) অমসুং ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি (এস.দি.এম.এ) না থবক তৌবদা হেন্না শক্তি পীরগনি।

সভাদা বিল অদু পাস তৌনবা খন্ন-নৈনবগী পাউখুম পীরদুনা গৃহ মন্ত্রি-

অমিত সাহনা হায়-নৌনা শেমদোক্লবা বিল অসিদা খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা কোনশিনগদবা শরুকশিং পাকথোক চাউথোকহল্লে। মসিগী মথক্তা অৱা অনাগী থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা মদুবু থেংননবা হোৎনবগী মওং মতৌশিংদসু মতমগা চুন্নবা মওংদা অহোংবা কয়া হাপচিল্লে।

**এইমস ঃ** ভারতনা অহানবা ওইনা শাজবা মেগনেটিক রিজোনেন্স ইমেজিং (এম.আর.আই) মেছিন, ন্যু দিল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) তা ওক্তোবর ফাওবগী মনুংদা চাংয়েং ওইনা খিনবা হৌরগনি। মসিনা মীরৈবাক্তগী পুশিল্লকপা অনা-লায়েংগী খুৎশু খুৎলায়শিংদা চাংয়েং তৌবদা শেল য়ামা চংল্লম্বা অদু হন্থহনবা ঙল্লগনি। হৌজিক লৈবাক অসিদা শিজিন্নরিবা অনা লায়েংগী খুৎশু খুৎলায়শিংগী চাংদা ৮০ দগী ৮৫ রোমদি মীরৈবাক্তগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিবু মেদিকেল টেকোলোজিগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

দিলিমিটেসনগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোকখিবা, গভনর-ইন-কাউন্সিল মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়া খন্নখিবা অমসুং বি.জে.পি. হায় কম্মান্দনা পোলিটিকেল এপ্লোইন্তিশিং ফম থাদোকবা খঙহল্লকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-বি.জে.পি, কংগ্রেস য়াওদনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম পাঙথোক্তুনা দিলিমিটেসনগী মতাংদা খন্নখ্রে, সেন্সস ২০২১ দা য়াওরিবা অরানবশিং শেমদোকবা মতুং দিলিমিটেসন তৌবীনবা তকশিনগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অহানবা গভনর-ইন-কাউন্সিল মীফম পাঙথোক্তুনা পায়খৎকদবা থবক থৌরম কয়াগী অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউনা মোরনিং বেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

বি.জে.পি. হায় কম্মান্দনা খঙহল্লকপদগী পোলিটিকেল এপ্পোইন্টিশিং ফম থাদোকপা হৌনখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্কী মরুওইবা পাউ ওইরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কন্সটিট্যুসনগী ইকায় খুমবা লৈঙাক অমা লাক্লবা মতমদা ইং তপ্পা পুরক্কনি হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বি.এস.এফনা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং পুথোক পুশিন তৌরি হায়না এন.এস.সি.এন (আই.এম) না মরাল শিরকপগী পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকল অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

লৌউ শিংউবা হায়বসিনা রাজ্য অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা সেক্তর অমা ওইরি হায়না গভনর-অজয় কুমার ভাল্লানা ষ্টেট ক্রিসি মেলা ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-তম্পাক্তা চেল্লিবা তুরেল খরদি ঈরি তৎপা য়াওরে। এপ্রিল-মে থাদা ষ্টেট অসিদা ঈশিংগী অৱাবা চাউনা মায়োকরবা য়ারি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এপ্রিল অমদগী য়ুনিফাইদ পেন্সন স্কিম চৎনবা হৌরগনি। ইমপ্লোয়ি অমনা মহাক্কী বেসিক সেলরিগী চাদা ৫০ গী চাং ফিক্স পেন্সন ওইনা ফংলগনি হায়না পোকফমগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-ফেব্রুৱারী ৯ দা ফম থাদোকহনখ্রবা লৈঙাকা পীরম্বা পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্টশিং রিজাইন্দ তৌনবা পাউতাক পীরখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পার্লিয়ামেন্টনা দিজাস্তর মেনেজমেন্ট এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৪ পাস তৌখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা ফোংলি।

গভনরনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-সিলচর লম্বী শেমজিনবগী থবক মপুং ফানা চংশিন্নবা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা গানফিয়ু মেলগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিং শেমদোক্লবা মতুংদা দিলিমিটেসন তৌগদবনি হায়না রোংমৈ নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসননা ফোংদোরকপা ৱাফমনা তমেংলোং টাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইরি।